নিপানলক শুবা এম এন সী এ দল্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দল্লিয়ু রামানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪

রেস নাগামপাল, ক্রাও খম্নাম বজার অমসুং পি টি আর সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা হৌজিক চথরিবা ৮লক শুবা এম এন সী এ দল্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দল্লিয়ু রামানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা রেস খ্বাই নাগামপাল লামাবম লৈকাইনা পি টি সী সী পাৎসোই পার্ট-৩, ক্রাও খম্নাম বজারনা এস সী সী সী শীংজমৈ থোঙাম লৈকাই অদুগা পি টি আর সী পাৎসোই পার্ট -৪না অল-অমিন লিলোং মায়থীবা পীখ্রে।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পি টি সী সী অমসুং রেসকী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস রেসনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা পি টি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। পি টি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা রন লৌবগী চাং নেমখিবদগী ওভর ৩৯.৫ শুরকপদা ৰিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১০০ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

রেসনা টার্গেট রন ১০১ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা হৈনা-শিংনা শান্নবা ঙমখিবদগী ওভর ১৬.৩ শুরকপদা শুপ্নতগী ৰিকেট ২ খক তুরগা টার্গেট রন ১০১ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু রেসনা ৰিকেট ৮দা লাকচনা থোইবা ঙমখি।

পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা ক্রাও অমসুং এস সী সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ক্রাওনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা ক্রাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথুরকখিবা এটেকশিং হৈন-শিংনা মায়োক যাবা ঙমখিবদগী ওভর ৪৫ লোইবদা ৰিকেট ৯ তুরগা পূন্না রন ২৪৪ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওপনর বেটসমেন লামাবম জোটিননা বোল ৭০ মায়োক যাবদা পূন্না রন ৯৪ লৌবা ঙমখি।

এস সী সী সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেন লাইশ্রম রোনসননা বোল ২০দা রন ২০ অদুগা সন্দিপ চক্রবোর্তিনা বোল ১০দা রন ১৮ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা রন ৫দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী শুপ্নতগী ওভর ১৫.৪ শুরকপদা ৰিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৫৬ খক্তমক লৌবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ক্রাওনা যাম্না লাকচনা রন ১৮৮দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা অল-অমিন অমসুং পি টি আর সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি টি আর সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। অহানবা ইন্নিংসতা পি টি আর সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা হৈন-শিংনা শান্নবা ঙমখিবদগী ওভর ৪৫ লোইবদা ৰিকেট ৯ তুরগা পূন্না রন ২৯৩ লৌবা ঙমখি।

অল-অমিননা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২১.৪ শুরকপদা ৰিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৭৫ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পি টি আর সীনা রন ২১৮দা লাকচনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। ইন্নিংস অসিদা পি টি আর সীগী বিদাসনা বোল ৯২দা রন ১০৪ লৌরমখি।

অনীশুবা ইতোমচা মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ

এঞ্জেল ক্লবনা য়ু কে সী সী এল থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা হৌজিক-হৌজিক দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অনীরকশুবা ইতোমচা মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি এঞ্জেল ক্লব অমসুং উশক খঙদবী ক্লব কম লাইব্রেরী (য়ু কে সী সী এল)গী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা এঞ্জেল ক্লবনা য়ু কে সী সী এল মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা টি ৰাই দি এ অমসুং য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব (য়ু এফ সী) ড্রো চৎখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.১৫ তাবদগী হৌরগা এঞ্জেল ক্লব অমসুং য়ু কে সী সী এলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ১২শুবা মিনটতা এঞ্জেল ক্লবকী বিনোদনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এঞ্জেল ক্লবনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবদা য়ু কে সী সী এলগী বিজ্ঞানন্দনা মেটচ অদুগী ৪৭শুবা মিনটতা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৭৯ শুবা মিনটতা এঞ্জেল ক্লবকী বিনোদনা মেটচ অদুদা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচ লোইবা ফাওবদা য়ু কে সী সী এলগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এঞ্জেল ক্লবনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদগী হৌরগা টি ৰাই দি এ অমসুং য়ু এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংগী হৈ-শিংবা মান্নখিবনা অমনা অমবু কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ২৫শুবা মিনটতা য়ু এফ সীগী মারেম মো ওস্থাংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবদা টি ৰাই দি এগী ৰার্থিং গোনমৈনা ৮৫শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১দা ড্রো চৎখিবনি।

অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৫-এ সাইদ মিনি বোইজ টুর্নামেন্ট

সনরাইজ ক্লবনা ঈ ৰাই সী, ওরিয়েন্টেল ক্লবনা সী কে সী (বি) অদুগা অনন্দমোয়ে ক্লবনা য়াওল ক্লব মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৬তগী হৌরগা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথরিবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৫-এ সাইদ মিনি বোইজ অন্দর-১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা সনরাইজ ক্লব কদমটালানা ঈ ৰাই সী চন্দ্রপুর, ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপারানা সী কে সী (বি) চীংদোং লৈকাই অমসুং অনন্দমোয়ে ক্লব জিরিঘাটনা য়াওল ক্লব চম্পানগর মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিলগী অঙনবা শরুক্তগী সনরাইজ ক্লব অমসুং ঈ ৰাই সীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা সনরাইজ ক্লবনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা সনরাইজ ক্লবনা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। সনরাইজ ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৫ অমসুং ১৯শুবা মিনটতা টি ঐচ বিশালনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদসু সনরাইজ ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা মখা তানা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদুগী ২৫ অমসুং ২৮ শুবা মিনটতা এ য়াইফবা অমসুং টি ঐচ বিশালনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক ঈ ৰাই সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মেটচ অদু সনরাইজ ক্লবনা পাঞ্জল ৪-০দা থোইখিবনি।

ওরিয়েন্টেল ক্লব অমসুং সী কে সী (বি)গী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনসু ওরিয়েন্টেল ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ওরিয়েন্টেল ক্লবনা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি। ওরিয়েন্টেল ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৮ অমসুং ১০ শুবা মিনটতা অবাস অমসুং অজিসনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা সী কে সী (বি)গী পাঞ্জল অদুনা ১৭শুবা মিনটতা সাহেদনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফকী ওইনসু ওরিয়েন্টেল ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা মখা তানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল ২ অমুক চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২২ অমসুং ২৮ শুবা মিনটতা হানিফ অহমদ অমসুং অবাজনা চনখিবনি। মেটচ লোইবা ফাওবদা সী কে সী (বি)গী ওইনা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ওরিয়েন্টেল ক্লবনা পাঞ্জল ৪-১দা থোইখিবনি।

অমরোমদা, অনন্দমোয়ে ক্লব অমসুং য়াওল ক্লবকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অনন্দমোয়ে ক্লবনা য়াওল ক্লবপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অনন্দমোয়ে ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদুনা মেটচ অদুগী ২৫ অমসুং ৩০ শুবা মিনটতা এম দি অজাদ হুসেন অমসুং অনারুল্লনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা য়াওল ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী ৩৮শুবা মিনটতা এম ঙাম্থোইবা মীতৈনা চনখিবনি।

মণিপুরগী কবাদ্দি টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২১দগী হৌরগা ২৪ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী অহমদনগর দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭০রক শুবা সিনিয়র মেন নেসনল কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি ময়েংবম মেনসন, সলাম ঙানবা মৈতৈ, রিঙ্কু অথোকপম, লাইশ্রম রোহন, লাইশ্রম বিদুগান, হুইদ্রোম জাহিন্দ্র, লৌরেম্বম মালেমঙানবা মৈতৈ, ঐচ রোজান মৈতৈ, ভাইস্নব আর অমসুং টি ঐচ পৃথিবীরাজনি।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মণিপুর টিম অসগী মেনেজরদা কে ঐচ খোগেন্দ্রো অদুগা কোচনা টি ঐচ জোটিলালনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ টি ঐচ মোটিলালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থাঙ-তা ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুয়েল লানলোং থাঙ-তা এসোসিএসন, নম্বোল ককয়াইনা শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী ট্রেনিং হোলদা ঙসি নোংমগী ওইবা থাঙ-তা ফেষ্টিভেল ২০২৪ পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা থৌরম অসিদা শীন্তাকপুরেল লাইশ্রম লাশামোন, সেক্রেটরি হুয়েন লাঞ্জং থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন য়াইস্কুল, এস শান্তাবাবু প্রসিদেন্ট পোইরৈ ইনাৎ শীন্দম শঙ ইরোম মৈজ্রাও অমদি থিয়াম শান্তিকুমার প্রসিদেন্ট বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুয়েন লানলোং থাঙ-তা এসোসিএসননা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপূ অমদি অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান-তোঙানবা শীন্দমশঙশিংদগী লাকপা মহৈরোয় ৩৫না শরুক য়াখি হায়রি।

লমন থাঙ-তানা থাঙ লৈতেং হাইবা উৎখ্রে

LAAMAN THANG-TA
Production of
THANG LEITENG HAIBA
LAAMAN THANG-TA LIVING ARTS ACADEMY MANIPURI THANG-TA

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস): লমন থাঙ-তাগী চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পুথোকপা প্রদক্সনগী শরুক অমা ওইনা হন্দক চহী কুমজা ২০২৩-২৪গী অনৌবা প্রদক্সন ওইনা থাঙ লৈতেং হাইবা নৈনশঙ ক্লবকী শঙলেন্দা ঙসি উৎখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা লিভিং আর্টস একাদেমি মণিপুরী থাঙ-তাগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৰারোলদা একাদেমি অসিগী প্রিন্সিপাল/দিরেক্টর চুংখাম সুনিলকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, থাঙহাই অসি খুৎ য়েৎ-ওই অনীদা থাঙ পায়রগা খুৎ য়েৎ-ওই অনীমক অমত্তা ওইনা চপ মান্ননা শিংবা মান্নবা অমদি হকচাং থোৎ-নৌনা, মতিং লৈনা মশা-মশা মতোমতা মরোমদোম হিংজবা, য়েক্লবা কয়ানা খুদুম চন্নবা হোৎনরক্লবসু মায়থীবা পীবা ঙম্নবা মশাদি ইৰা ৰাহন্দনা থাঙগী থাঙয়ান খোঙচৎ কয়াবু নীংথিনা শীজিন্নবা ঙম্নবা পুথোকপা থাঙহাইনি।

থাঙ লৈতেং হাইবা অসি মাংলমচৎতগী লাই ওইখ্রবা ওজাশিংনা মীওইবগী মতিং লৈনবা শাজেল অমগুম নোংমগী খরা-খরা হাইরবদি হকচাং মরী-মতাং থোৎ নৌহল্লি, নহা ওইহল্লি হায়না য়াম্না লুম্না শান্নরম্বা থাঙগী মহৈ অমনি। অসিগুম্বা থাঙ হাইবগী মহৈশিং অসি হৌগৎলক্লিবা চহী নৌরিবা নুপা অমসুং নুপীশিংনা হৈজিন্নবা হোৎনগদবনি। মসিনা তুংগী পূন্সিদা চাউনা কান্নবা পীবা ঙমগনি। থাঙ-তা শান্নবদা মখল কয়াগী লৌশিং ঐখোয়না ফংবা ঙম্মী। মরম অদুনা হীরম অসিদা ঐখোয় খুদিংমক্তা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই। হকচাং ফনা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোক্না লৈহন্নবা হোৎনবদা থাঙ-তা তম্বনা চাউনা মতেং ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লমন থাঙ-তাগী মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপাশিংনা মপূং ওইনা শরুক য়াখি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1081

Pablo Carrizo (1371) - Santiago Inak Lagares Rodriguez (1621)
Abierto ArcelorMittal lichess.org INT (1), 2020.09.20

1.e4 c5 2.Nf3 d6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 g6
6.Bd3 Bg7 7.Be3 O-O 8.Qd2 Nc6 9.Nf3 Ng4 10.Bf4 Nce5
11.Nxe5 Nxe5 12.Bxe5 Bxe5 13.O-O e6 14.Rab1 Qh4 15.g3 Qh3
16.Qe3 h5 17.Qf3 h4 18.Ne2 hxg3 19.fxg3 Kg7 20.Nf4 Qh6
21.Rf2 Rh8 22.Rbf1 Bd7 23.Nd5 Raf8 24. ...

QUESTION :
White to win

Puzzle 1080 Solution :

39. Qxf8+ The white queen captures Black's knight, which was defending the square h7.
Your moves:39. R4h7+
Rxf8 40. R4h7+ The white rook attacks Black's king, which is defending Black's rook. **Kf6 41. Rxf8#**
1-0

[illegible]

PENSION LOAN / VEHICLE LOAN AVAILABLE

- # Manipur State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
- # থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী Interest তা খূদোংচাবা পীজগনি।
- # Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং ATM Card লোয়নবীরক্কদবনি।
- # 2/Wheeler, 3/4 Wheeler, E-Rickshaw গী Loan সু ফংবীগনি।

Please Contact : M.M. Singh
L.G. Motors Building
Khagempalli Imphal, Manipur,# 9383154086

HL-B/8632/13/3-17/5(alt)

Likla
লৌমী শিন্মী য়োকখৎসি
ইরমদমগী পোখোক শীজিন্নসি
Likla
PASSION FRUIT DRINK
Likla
PINEAPPLE DRINK
Likla
PINEAPPLE DRINK
Processed from organically grown fruits of Manipur
Thangjam Agro
HL-B/8592/3/3-30/3 (alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com